# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




দেল্লীগী কোর্ট অমনা বেল পীরকখ্রবা বিহারগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর রাব্রি দেবী অমসুং রাজ্য সভাগী এম পি ওইরিবী মহাক্কী মচানুপী মিসা ভাত্রিবু তরাম্না ওকখিবা

অতোপ্পা মৈখু শিজিন্নদবশিংগী খল্লগা মীয়াম তিনবা মফমদা মৈখু ...

☛ লামায় ২

মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা)

লামায় ৪

কুকি মিলিটেন্টশিংগী সূ মখা শাংথবা য়ারোই হায়না ৱাকৎ মীফম চত্থনখ্রে

☛ লামায় ৬

লুপা ১০০ খক পীবা টেব্লেটনা কেন্সর অমুক নাহল্লক্তবা ঙম্লে...

☛ লামায় ৯

ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী হোকি টিমশিংগী মতাংদা লৈবাক অসিগী হোকি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ডা. দিলিপ টির্কি য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফমদা শরুক য়াখিবা হোকি মশান্নগা মরী লৈনবা মীওইশিং



Vol. 47, Issue No. 328 | শগোলশেন, ফাইরেনগী ২০নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, February 29, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

## লান মনুংদা ফম্বা ১২শুবা এসেমব্লিগী ৫শুবা মীফম হৌখ্রে

# মীওই ২১৯গী পূন্সি মাঙখিবা লাইবক থীবনি ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াজরি : গভর্ণর

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক থা ১০ চঙশিল্লক্লবা ফাওবগী মনুংদা অনীশুবা ফম্বা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মঙাশুবা সেসন ওইবদা নত্তনা চৎলিবা চহী অসিগীনা অহানবা সেসন ওইবদগী গভর্ণর অনুসুইয়া উইকেনা এদ্রেস তৌরদুনা হৌদোকখিবা ঙসিগী মীফমদা ভাইওলেন্সকী থৌদোক অসিদা মীওই ২১৯গী পূন্সি মাঙখিবা অসি লাইবক থীবনি হায়রদুনা মহাক্কী লৈঙাক্লা থৱায় মাঙখ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াজরি অমসুং মতিক চানা ভেরিফিকেসন তৌরবা মতুংদা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুংদা লুপা লাখ ১০ এক্স গ্রেসিয়া ওইনা পীরি। অদুগা লৈখিদ্রবশিংগী হকচাংশিংনা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা



শিন্নরগা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী অহানবা মীফম হৌদোক্লদুনা গভর্ণরনা হায়, মণিপুর অসি খেন্নবা কাঙলূপ কয়া, লোল, নাৎ-চৎনবী, লাইনীং-লাইশোন্না শেন্বা লমদম অমা হান্নদগী ওইদুনা লাক্লি, মতুংদসু অদুমক ওইখিগনি। অসুম্না খেন্নবা মশকশিং লৈরবসু ইকায়খুম্নফম ওইরি। মণিপুরদা ঈং তপ্পা অমদি নুংশি চান্নবা অথুবা মতমদা হঞ্জিল্লক্লবা অমদি চাওখৎ লম্বীদা মাঙলোমদা চঙশিন্নবা মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

লৈঙাক অসিনা চোকথবা লৈতনা হৌজিক থোক্লিবা চরাংনবা ফীভম অমদি মে ৩দগী হৌরকখিবা কাঙলূপকী ঈরাংশিং লাকশিন্নবা হোৎনরি। হৌজিক ফাওবদা সেন্ট্রেল ফোর্সকী কম্পেনি ১৯৮ অমদি আর্মিগী কলম ১৪০ মণিপুরগী মরু ওইবা মফমশিংদা ষ্টেট ফোর্সশিংগা পুন্না পামদবা থৌদোকশিং থোকহল্লক্তনবা দিপ্লোই তৌরি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## এসেমব্লিদা ওপোজিসনগী কোংগ্রেস এম এল এ

# ঙানা ৱা ঙাঙগে তৌরকপদা ঈশিংনা পল্লে



### কুকি এম এল এ ১০গী মতাংদা এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা স্পিকরনা অয়াবা পীবদগী ৱা ঙাঙবা হৌরকপদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা য়ৈথৎখ্রে, মাইক্রোফোন মূথৎখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস) :** ঙসিদগী হৌখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মঙাশুবা সেসনদা অমুক্কসু মণিপুরদগী তোঙানবা লৈঙাক তাল্লিবা কুকি-জৌগী মিনিষ্টর অনী য়াওনা এম এল এ ১০ মক শরুক য়াখিদ্রবসু মখোয়না তাল্লিবা দিমান্দগী মতাংদা ওপোজিসন কোংগ্রেসকী দেপ্যুটি সী এল পি লিদরসু ওইরিবা শুগুনু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা স্পিকরদগী অয়াবা লৌরগা তোখায়বা লৈঙাক তাল্লিবা কুকি এম এল এ ১০গী মায়োক্তা ৱা ঙাঙবা হৌরকপদা হাউসকী লিদর ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা 'মতাং চাদে' হায়না য়ৈথৎপদা নত্তনা এম এল এ রঞ্জিৎকী মাইক্রোফোন মূথৎপদগী হাউসতা ঙাইহাক চরাংনবা থোকখ্রে।

হাউসকী প্রিসাইদিং ওফিসর স্পিকরদগী অয়াবা লৌরবা মতুং ঙসিগী হাউসকী বিজিনেসকী অরোইবা শরুক ওইনা এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা হাউসতা মণিপুরদগী তোখায়বা লৈঙাক তাল্লকখিবা কুকি এম এল এশিংনা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক, মীচম কয়া শিরিবা অমদি মণিপুরবু মওং মরীল তাদবা ফীভম অমদা লৈহন্দুনা লেমজনীংঙাই ওইরবা হাউসকী স্পিকর, চীফ মিনিষ্টর অমদি মীয়ামগী মীহুৎ, এম এল এ/মিনিষ্টর পুম্নমক চিংথদুনা খোঙ্গোইনরিবসিগী তেকচাক পুম্নমক মখোয় ১০না পুগদবনি হায়খি।

মখা তানা মহাক্না থা ১০ ফাজিল্লক্লবা ৱাথোকসিগী মনুংদা নাকল অনীমক্তা নুপী অঙাং য়াওনা মীওই কয়া লৈখিদ্রিবসি মিনিষ্টর ২ ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

### ভোট ওন একাউন্টতা পাস তৌগদবা শেনবা চহী ২০২৪-২৫গী বডজেট ইষ্টিমেটস পুথোকখ্রে



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস):** ঙসিদগী হৌখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মঙাশুবা সেসনগী অনীশুবা মীফমদা ফাইনান্সকী থবকসু পুরিবা হাউসকী লিদর এন বিরেননা শেনবা চহী ২০২৪-২৫ (ভোট ওন একাউন্ট) গী বডজেট ইষ্টিমেটস পুথোকখ্রে।

ইষ্টিমেট অসি হাউসতা পুথোক্লদুনা মহাক্না হায়, ভোট ওন একাউন্ট প্রপোজ তৌরিবগী মরমদি চহীসিদা তুংদা মরু ওইবা য়ুনিয়ন বডজেট পাস তৌরকপা মতমদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা মপূং ফানা কোওর্দিনেট তৌবা য়ানবনি। হৃ দক্কী চহী অসি মণিপুরনা মায়োক্লবা খ্বাইদগী চেলেঞ্জিং ওইবা চহীশিংগী মনুংদা অমনি। অদুবু লৈঙাক অসিনা মণিপুরগী ঙমখৈ ঙাক্কনি হায়বদু ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### থম্নাপোকপী মনীংদা অমুক হন্না বোম ১সুং নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস):** ঙরাং নুমিদাং পুং ৮ লোম তারকপদগী য়াইঙংপোকপী পি এসকী মনুং চনবা য়াইঙংপোকপী অমদি থম্নাপোকপীদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা সংগ্রান খুলদগী নোংমৈ অমদি বোম কাপশিল্লকখ্রবা মতুং অমুক হন্না ঙসি অয়ুক পুং ৫ রোম তারকপদগী হৌরদুনা থম্নাপোকপী মনীং লৈকায় মীতৈ খুলশিং তম্না নোংমৈ অমদি বোমশিং ...মখা লমায় ৩ কলম ১

# কম্মান্দো পর্সনেলশিং হৌনদুনা লাক্লগা এদিসনেল এস পি অমিট অমসুং পর্সনেল ২দা সোলিদরি উৎখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাং ৱাংখৈ তোকপম লৈকায়দা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিসনেল এস পি, এম অমিটকী য়ুমদা য়াল্লবা নোংমৈ মরূশিং কাপশিল্লন্দ্বদা নত্তনা মহাক মশা য়াওনা মহাক্কী এস্কোর্ট পর্সনেল অনীগা ফাদুনা পুখ্রবা মতুংদা ফূরগা থাদোরকপগী মায়োক্তা ঙসি অয়ুক্তগী খূৎলায় থাদোক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌখিবা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসশিংগী কম্মান্দো পর্সনেলশিংনা ঙসি নুমিদাং পুং ১০ রোম তারকপদা এদিসনেল এস পিগী য়ুমদা লাক্তুনা সোলিদরিটি উৎলম্লে হায়রি।

থৌদোক অসিদা কম্মান্দো পর্সনেলশিং খক্তা নত্তনা দিষ্ট্রিক্টশিংদা



লৈবা সিভিল পুলিসকী পর্সনেলশিং অমসুং ওফিসর খরসু শরুক য়ারখি হায়রি।

# লানগী মতাংদা খন্ননবা নোংমা কাইথোকপীয়ু হায়জখিবা ৱাফম বুল দোজরনা তকখায়খ্রে : এম এল এ লোকেশ্বর

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস):** ঙসিদগী হৌরিবা এসেমব্লিগী সেসন অসিদি থা ৬কী মনুংদা অমুক্তি ফমদবা য়াদবা লৈবনা কন্সটিট্যুসনেল মেন্দেটকী মতুংইন্না ফম্বনি অমসুং লাক্লিবা জুলাই ফাওবগী সপ্লিমেন্টরি বডজেটকী শেনফম ভোট ওন একাউন্টসতা পাস তৌদবা য়াদবগা লোয়ননা মমাঙগী শেনবা চহীগী বডজেটকী সপ্লিমেন্টরি দিমান্দস ফোর গ্রান্টসগীসু লৈখায় তাগদবা সেসননি হায়না ওপোজিসন কোংগ্রেস এম এল এ, টি ঐচ লোকেশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসিগী সেসন লোইরবা মতুংদা এসেমব্লি গেটতা মহাক্না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা নুমিৎ মঙানি খক্তংগী অতেনবা সেসন ওইরবসু হৌজিক থোক্লিবা ঈরাংশিং অসিগী মতাংদা খন্ননবা বিজিনেস এদভাইজ রি কম্মিটিনা এলোটমেন্ট তৌরকপা বিজিনেসতা য়াওদবদগী ঙসি অয়ুক



ওপোজিসনগী মায়কৈদগী বি এ সীগী রিপোর্ট অসি এমেন্দমেন্ট তৌবীনবা হায়জখিবনি। বি এ সীগী রিপোর্ট অসি এমেন্দমেন্ট তৌরগা ৱাথোকসিগী মতাংদা খন্ননবগী মতম পীবিয়ু হায়বগী নোটিস পীখিবনি। নোটিস অসিগী মতুংইন্না লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎপীদ্রিবা ফাওবা বি এ সীগী রিপোর্ট হাউসনা পাস তৌবীগনু হায়জখিবনি। নোটিস অদু ওফিসল ওইনা রিসিভ তৌখ্রবসু হায়জখিবা ৱাফম অদুগী মতাংদা লৈখাই তাদ্রিঙৈদা বুল দোজরনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# লানগী ৱারোইশিন পুরক্লবা নোংমা কাইথোক্লগা খন্নসি হায়বা য়াদ্রবসু লৈখিদ্রবশিংগী মফমদদি অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস) :** হৌজিক লৈরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ঙসিদগী হৌখিবা ৫শুবা সেসনগী মনুংদা মণিপুরদা মে ৩দগী থোরক্লিবা তমথীরবা লান অসিগী মতাংদা ৱারোইশিন পুরক্লবা খন্ননবগীদমক নোংমা কাইথোকপীয়ু নৎত্রগনা নোংমা শাংদোকপীয়ু হায়দুনা ওপোজিসন কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী ঙসি অয়ুক সেসন হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা অইবা নোটিস অমা পীরকখ্রবসু হাউসকী স্পিকরনা অয়াবা পীখিদে। অদুম ওইনমক ঙসিগী সেসনগী মনুং চন্না কাঙলূপ মশেলগী লান অসিদা লৈখিদ্রবা মীচমশিং অমসুং সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মফমদদি হাউসনা রিজোলুসন অমা লৌবগা লোয়ননা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসিগী সেসন হৌরকপদা হাউসকী লিদরসু ওইরিবা চীফ মিনিষ্টরনা হাউসকী বিজিনেসতা য়াওজবা ওবিচ্যুরি রিফরেন্স অদুগী মথক্তা থা ১০ ফাজিল্লক্লবা লান অসিদা লৈখিদ্রবা মীচম অমসুং সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগীদমক তোঙান্না ওবিচ্যুরি রিফরেন্স অমা পীননবা ৱাফম হৌদোরকখি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# এদিসনেল এস পি অমিটকী য়ূমদা নোংমৈ কাপশিনবা ১সুং ফারগা ফূরকপবু কম্মান্দোশিংনা মৈ হৌনা শাউরে

### চেন্নবশিংগী মথক্তা লোগী থবক লৌখৎনবা দিমান্দ তৌরদুনা তম্পাক্কী কম্মান্দো পর্সনেলশিং খূৎলায় থাদোক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে, দি আই জিনা থেম্বদা য়াখিদ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস):** ঙরাং নুমিদাংৱাইরম ৱাংখৈ তোকপম লৈকায়দা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিসনেল এস পি, এম অমিটকী য়ূমদা নোংমৈ মরূশিং মশীং খঙদনা কাপশিন



দুনা ইমুংগী পোৎ চৈ অমদি গাড়ীশিং অকায় অতোয় থোকহল্লন্দ্বদা নত্তনা এদিসনেল এস পিগা মহাক্কী এস্কোর্ট পর্সনেল অনী ফাদুনা পুখ্রবা মতুংদা ফূরগা থাদোরকপগী থৌওংবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি অয়ুক পুং ৮.৩০ ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

# অনৌবা ত্রাইবেল এফ্যেরস এন্দ হিলসগী মিনিষ্টর হাপ্পীনবা নাগা মিনিষ্টর, এম এল এ ১০না চীফ মিনিষ্টরদা হায়জখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা থা ১০ রোম চুপ্পা হৌজিক মণিপুরদা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং অসিগী চৈরক্তা ত্রাইবেল এফ্যেরস অমসুং হিলসকী থবক পুবা মিনিষ্টর লৈতবদগী লোয়শঙ অসিনা পাঙথোক্কদবা থবক থৌরমশিং পাঙথোক্তনা লৈরক্লিবা অসিগীদমক য়েংবীদুনা অনৌবা লোয়শঙ অসিবু পুগদবা মিনিষ্টর ইন চার্জ অমা হাপ্পীদুনা চীংমীশিংগী থবক থৌরমশিং মপূং ফানা পাঙথোক্লবা হোৎনবীয়ু হায়না নাগা মিনিষ্টর অমসুং এম এল এ ১০না পুন্না খূৎয়েক পীদুনা চীফ মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে।

চেরোল অসিদা খূৎয়েক পীরিবা নাগা এম এল এ অমসুং মিনিষ্টরশিং অদুদি এস এস ওলিস, রাম মুইভা, জে কুমোসা, এন কাইসি, জাংহেমলুং পামৈ, লৈসিও কৈসিং, খাসিম ভাসুম, লোসি দিখো, অৱাংবৌ ন্যুমাই অমসুং দিঙ্গাংলুং গাংমৈ (হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী চেয়রমেন) নি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

**HL Poll**

Q : Manipurgi Langi waroisin puraknaba pambei ama leingakna Assembly da puthoktuna khannaraga warep louhoubana achumba oiroidra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes | No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Ngasidagi hougadouriba Assembly meephamda nongma kaithoklaga Langi matangda khannasi hairaklibasi achumba khongthang oigadra?

Yes 100% No 0%

# 'চূড়াচান্দপুরদা কুকিশিংনা মীতৈবু উশিত্তবসিদি মে ৩গী মমাঙদগী হৌরক্লবনি'

*হকথেংনবা পাউদম*

*চূড়াচান্দপুরদগী খুঞ্জা অমা*

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা চহীগী মে ৩দগী কুকি হিংচা-য়াইতম্বশিংনা মীতৈদা ওনশিন্দুনা তমথীরবা লান চথরক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা চূড়াচান্দপুরদা লৌ-শিং উদুনা অমসুং এঞ্জাং-নাপি থারগা য়োন্দুনা হিংনবা হোৎনজরকখিবীনি হায়বী মাইবম অবেম (৩৮), মপুরোইবা এম রাজে সনা পাউচে অসিদা হায়, চূড়াচান্দপুরদা ঐখোয় অদুক্কী মতিক তোন্না অমসুং য়াম্না কিনা লৈরকখি। মে ৩দগী ঈরাং হৌরকপদগী য়ুম মৈ থাদ্রিঙৈগী মরক্তা মীতৈগী মায়কৈ ঙাকপা লাই হরাওরিঙৈগী মনুংদসু ঈরাং তৌরকখ্রবনি।



লাইগী খুভমগী গেট ফাওবা কাওখাইদুনা লাইদা ফাওবা মখোঙনা নেৎতুনা থুগাইবদা নত্তনা লাইগী শেম্ফুদা থম্বা শেল ফাওবা কুকিশিংনা হুরানখ্রবনি।

থৌদোক অসিগী মমাঙদা লাই পুনবগীদমক লৈকায়গী পাখঙ-লৈশাবী, মৌ অমদি অমাইবা-অমাইবী য়াওনা লাইবুং ফাওবা চৎপগী লম্বীদসু চীংমী লৈশাবী অমগা পাখঙ অমগা মতা দাম রোমদগী কার অমদা লাক্লগা লম্বীগী মতাইদা পরেং চৎচরিবা লাইগী থৌগল তৌরিবা মীওইশিং, মাইবীশিংনা জ গোয় শাদুনা চৎখিবা অদুদসু গাড়ী কন্না থৌজি ল্লক্তুনা মী তক্কে ফাওবা তৌখি। থৌওং অদুদা মী শোক্লগনি লাউনরকপদগী গাড়ীদু মমায় লৈথোক্লগা থৌখিবনি। অসিগুম্বা য়াম্না উশিত্তবা মীৎয়েং য়েংলক্তুনা কায়হৌরকপদগী লাই পুবা য়াওবা নুপামচা পাখঙশিংদি শাওগৎলক্তুনা ঙংখৎনরকপা য়াওখি। 'নখোয়গী খৃষ্টমাস কুম্মৈদা নুমিৎ ৫/৬নি হেন্না লাউদ স্পিকর শীজিন্নদুনা হৌনা ঈশৈ নোংমাই খোংবা, অহিং চুপ্পা জগোয় শাদুনা লাংবদা নোংমতা মীতৈশিংনা লাক্লগা কারন তাবা য়াওখিব্রা, নখোয়গী অঙাংশিং ফাওবদা খৃষ্টমাসকী খুদোল পীখিবনি' হায়না লাই পুবা য়াওবা মীতৈ পাখঙ অমনা ফোঙদোকখিবা লৈখি।

কার থৌরকখিবা কুকি নুপামচা অদু হান্নদগী হৌনা মীতৈ নুপীশিংদা উশিৎ থৌওইদবা মীৎয়েং য়েংদুনা লাকপনি। মহাক্কী মতৌ অদুদা লাই হরাওবগী থৌরমদা শরুক য়ারিবশিংগা ঙংখৎনরকপদগী মহাক্কী গাড়ীগী মিংশেল অকায় অতোয় য়াওখি। ফীভম অদুদগী লাইগী থৌরমসু থেংথনা পাঙথোকখিদে। তৌদবা য়াদবগী মওংদা পাঙথোকখি। থৌদোক অদুগী মখা তারকপদা মখোয়গী খুলগী নিংথৌনা নুপামচা অদুগা লোয়ননা লাক্লগা গাড়ী থুগাইবগীদমক শেল লৌনবা হায়রবগা লোয়ননা ফজদবা ৱাহে খোন্দাদা চৈ থাংলমখি। (মথং-মথং)

# গুজরাটকী সমুদ্র খোংবান্দগী কন্ত্রাবান্দ কিলোগ্রাম ৩,৩০০ ফাবদা অমিট শাহনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে

**ন্যু দেল্লী, ফেব্রুৱারী ২৮ (এজেন্সী):** লৈবাক অসিদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না কন্ত্রাবান্দ আইটেমশিং ফাবা ঙম্বা থৌদোক অমদা ঙরাং গুজরাটকী সমুদ্র খোংবান্দা চিংননীংঙাই ওইবা মওংদা লাকখিবা জহাজ অমা নার্কোটিক কন্ট্রোল ব্যুরো (এন সী বি) না ইন্দিয়ন নেভিগা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# মঙাশুবা আই আর বিদগী নোংমৈ লৌখিবগী চার্জ তৌদুনা ফাজিনখিবা মীওই ৬ কোর্টনা বেল পীখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ১৩গী নুমিদাংদা চীঙারেল তেজপুরদা লৈবা মঙাশুবা আই আর বিগী পোষ্টতগী মশীং য়াম্না থোমজিল্লকখিবা মীওইশিংনা নোংমৈ ৩১৭ অমসুং মরূ ২১,৮৯৪ লৌখি হায়বা থৌদোক্কী মতাংদা লম্লাই পি এসনা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা পুলিসনা চার্জ তৌরদুনা ফারগা জেলদা থাজিনখিবা মীওই ৬ স্পেসল জজ (এন আই এ) ইম্ফাল ইষ্টনা বেল পীখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### অস! লোইরেহে!











ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫